**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-10.2024)**

**ঙমখৈ (এল)ঃ** মনিপুরগা তায়নবা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ থুংনা **শম্বল** খানবা দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট শেমবা সর্ভে হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ঙমখৈ পরিং অসিদা কিলোমিটর ৩০ **শম্বল** খাবগী থবক লোয়খ্রবনি। মসিগী মতুংদা মনিপুরগা ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈ পরিংগী লেমহৌরিবা শরুক কিলোমিটর ১০০ হেনবা অসি অথুবা মতমদা **শম্বল** খাননবা দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি.পি.আর) শেমনবা মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংনা হকথেংননা চৎতুনা সর্ভে তৌবা হৌরে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙমখৈ পরিংদা **শম্বল** খাবগী থবক পায়খৎকদৌরিবা পি.আর.টি.এফকী মরী লৈনবা রোড কন্সত্রক্সন কম্পানিগী মায়কৈদগী ইন্দো-ম্যান্মার পরিংদা ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎলিবা অসাম রাইফলস, মরি লৈনবা জিলাগী এস.পি. অমদি দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখিবা লৈরে।

চেরোল অদুগী মতুং ইন্না, হৌজিক মনিপুরগা তায়নবা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী লেমহৌরিবা শরুক কামজোং জিলাগা তায়নবা অরিবা বোর্ডর পিল্লর নম্বর তরুক্তগী ১১০ ফাওবগী কিলোমিটর ২০.২৫, জিলা অসিগা তায়নবা বোডর পিল্লর ১১০ দগা ১১৬ অমসুং বোদর পিল্লর নম্বর ১২৪ ফাওবগী কিলোমিটর ৩০.৩০ লোয়ননা উখ্রুল জিলাগা তায়নবা বোদর পিল্লর নম্বর ১২৪ দগী ১২৫ ফাওবগী কিলোমিটর ২৩.২০ অমসুং পিল্লর নম্বর ১২৫ দগী ১৩০ ফাওবগী কিলোমিটর ৩১ পোইন্ট ৫.০ গী শরুকশিং অথুবা মতমদা **শম্বল** খাননবা দি.পি.আর. শেন্নগনি হায়রি। মসিগীদমক মরী লৈননা সর্ভে টিমবু ঙাক শেন্নবা থবক লৌখৎনবসু খঙহল্লকখি।

ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খানবা দি.পি.আর. শেমবা সর্ভে টিম অদু হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কামজোং জিলাদা লৈরিবা অরিবা বোর্ডর পিল্লর নম্বর তরুক্তগীনা ১১০ ফাওবগী শরুকশিং চৎত্না য়েংশিনবা হৌখ্রেসু হায়রি।

**হেলথ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা চানবা পোৎলমশিংদা হিদাক মনা অমদি নিকোটিন য়াওবা পোৎলমশিং য়োনবদা অথিংবা লৈরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হিদাক মনা অমদি নিকোটিনগী পোৎলমশিং য়াওবা চিঞ্জাকশিং অসি মীওইবগা হকচাং শোকনিংঙাই ওইবনা ফুদ সেফতি এন্দ ষ্টেন্দরদ (প্রোহিবিসন এন্দ রেসত্রিক্সন ওন সেলস) রিগুলেসন, ২০১১ গী রিগুলেসন টু, থ্রি অমদি ফোরগী মখাদা অথিংবা লৈরগনি। হিদাক মনা অমদি নিকোটিনগী পোৎলমশিং য়ানশিনদুনা চাননবা য়োল্লিবা গুরখা, পান মশালা, খৈনি, জরদা অমদি অতৈ হিদাক মনা য়ানশিনদুনা চাবা পোৎলমশিং হকচাং শোকনিংঙাই ওই। মরম অদুনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি শেম শাবা, থমজিনবা নৎত্রগা য়োনবদা ফুদ সেফতি এন্দ ষ্টেন্দরদ এক্ট ২০০৬ কী মখাদা অথিংবা থমলে।

অথিংবা অসি রাজ্য শিনবা থুংনা চহি অমা চৎনগনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমদি মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা চয়োল অসিগী মনুংদা থৌবাল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা শকখঙদবশিংনা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা নোংমৈ ১২ য়াওনা খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল জিলাগী লৈরোংথেল চিত্রা অমদি চুরাচান্দপুর জিলাগী কান্দন ভেংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখ্রে। মদুদা, খুৎলায়শিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। লোয়ননা খুৎলায়শিং অদু মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

**ফালকোন (এল)ঃ** চহি খুদিংগী নীংথম থা মতমদা মপান লৈবাক্তগী পাইরকপা উচেক-অমুল ফালকোন মনিপুরগী তমেংলোং জিলাদা পাইরকপা হৌরে।

উচেক অসিনা পাইরকপা হৌরকপগা ইরোইননা তমেংলোং জিলাগী ফোরেষ্ট দিভিজনগী ষ্টাফশিং অমদি তমেংলোং পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা উচেক অসিবু ঙাক শেন্নবগীদমক উচেক অসিনা চাক্তারিবা মফমশিংদা কোইনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মীহুৎ কাংবু অসিনা তমেংলোং হেদক্বাটরসতা লৈবা রানি মার্কেটতসু চৎতুনা উচেক অমুল ফালকোন অমদি অতৈ লমলক্কী শাশিং য়োনব্রা হায়বদু য়েংশিনখি। মখোয়না মফম অদুদা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা দুকানশিংদসু চংদুনা উচেকশিং অসিবু হাৎপদা খুৎলায় ওইনা শিজিন্নবা পোৎলমশিং য়োনব্রা হায়নসু য়েংশিনখি।

**আইওদিন(এল)ঃ** গ্লোবেল আইওদিন দিফিসিয়েন্সি দিসওর্দর প্রিভেন্সন দেগী পালন থৌরমগা মরী লৈননা ৱঙ্গোই সি.ঐচ. সিদা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে।

**এময়ু (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুশু) না শিনদুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা 'এ মেতিকুলস এসপেক্ট ওন মনিপুরি লেঙ্গোই, লিটরেচর, কলচর এন্দ সোসাইতি' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা নেসনেল সেমিনার অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মনিপুর য়ুনিভরসিতি অসিগী মনিপুরি দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসার-ডা: নাওরেম সনাতোম্বনা হায়-লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা চৎনরম্বা লীক্লম থিজিনবা ৱাৎপনা মমা লৈবাক নুংশিবগী চাং হন্থরক্লি। মসি খরদং ওইরবসু মেনখৎপা ঙমবা হোৎনবদা মহৈরোইশিং য়াওনা অখঙ অহৈশিংগা পুন্না তান্নবা মথৌ তায়।

মহাকা হায়-মহৈরোইশিংনা লাইরিক্কী সেলেবসতমক নৈনবগী মথক্তা ইপা

ইপুশিংনা চৎনরম্বা হৌন-লোনচৎ, য়ুম্বালোন, য়ুমশালোন অমদি লম
মীৎলোনচিংবা খঙজিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**স্কিম ঃ** লৈবাক অসিগী কাচিন কোইয়া থুংনা চৎথোক চৎশিনগী লমদা মীয়ামদা খুদোংচানবগীদমক্তা হৌদোকখিবা রিজনেল কন্নেক্তিভিতি স্কিম 'উরান' চহি ৮ মপুং ফারে।

স্কিম অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা উরান রুট ৬০০ হেন্না মথৌ তৌদুনা লৈবাক অসিগী অপুনবা পেসেঞ্জর কোতি অমা লাখ ৪৪ দা চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

স্কিম অসি সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়গী মখাদা ইং ২০১৬ গী ওক্তোবর ২১ দা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ইয়ারপোর্ট তরা অমদি হেলিপোট অনি শেমগৎতুনা লমদম অসিগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লি। হায়রিবা হেলিপোট অসিগী মনুংদা মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবামসু য়াওদুনা জিলা অসিদগী ইম্ফাল অমদি অতোপ্পা মফমশিংদা হেলিকোপ্তর সার্ভিস লৈদুনা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাবা পীদুনা লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা পাউদম-

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী মোংবুং মীতৈ খুলদা লাঞ্জেন্নরবা মতুং মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিনদুনা লৈরিবা খুলশিংদা ঙসি জিলা অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়ানা চৎতুনা মফম অদুগী মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার, এস.পি. কে.ঐচ. রোবিনসন, নোদেল ওফিসার-এল. সুরজিৎ অমদি অতৈ ওফিসিএল কয়ানা শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুদা দি.সিনা লমদম অদুগী মীয়ামনা থেংনরিবা অৱাবশিং অমদি অৱাৎপা পোৎলমশিং অথুবদা ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীখি অমদি লম্বীগী মতাংদসু এম.জি.এন.আর.ই.জি. এসগী মখাদা জোব

কার্ডকী মতেংনা অথুবদা চৎপা য়াননবা লম্বী অমা শেম্লবসু মরী লৈনবশিংদা তকশিনগনি হায়রি।

**ৱার্কশোপ (এল) ঃ** ইরাংনা শোকহল্লবা লমদম অসিদা অমুক হন্না শান্তি পুরক বগী পান্দমদা সেনাপতিদা লৈবা অমিয়া এন.জি.ওনা শিনদুনা মরাম য়ুনিয়ন বিল্ডিংদা পিছ আরকিটেক ফেলো ৱার্কশোপ অমা হৌদোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অসি রোহিনি নিলেকানি ফিলানথ্রোপিসকী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকপনি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** দামদৈ খৃষ্টান কলেজনা শিদুনা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা কলেজ অসিগী কেম্পসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী হীরমনা 'নত্তবা পাম্বৈ অমদি অকিবা য়াওদনা পরিক্ষা থাহনবা' হায়বসিনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহৈরোই অমদি ওজাশিংনা য়াওনা পারিক্ষাদা নত্তবা পাম্বৈ শিজিন্নদবা অমদি অচুম্বনা পুন্সি মায় পাকবগী লম্বীনি হায়না পুন্না ৱাশক লৌখি।

**ডে(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওটোমেট্রিক্স অমদি সেন্ট্রেল মোবাইল ওপথামিক য়ুনিট ইম্ফালগা কৈশামথোং হায়স্কুলগা পুন্না খুৎশমদুনা ২৫ শুবা ৱার্ল্ড সাইট ডেগী পালন থৌরমগা মরী লৈননা স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোইশিংদা মিৎকী চেকঅপ পাঙথোকখ্রে অমদি মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**মোদিঃ** রাসিয়াগী কজানদা পাঙথোক্লিবা ১৬ শুবা ব্রিক্স মীফম য়াওননবা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নুংথিল রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ব্লাদিমি পুতিনগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

লৈবাক অনিগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হৌজিক রাসিয়া অমদি য়ুক্রেন অনিগী মরক্তা লৈরিবা লান অসিগী ৱারোইশিন শান্তি ওইনা পুরকপা হায়বসিদা ভারতনা চেৎনা থাজবা থন্নি হায়না ফোংদোকখি। মসিগা লোয়ননা শ্রী মোদিনা অথুবা মতমদা লমদম অদুদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা অমদি মীয়াম তংদু লৈতানা হিংননবা হোৎনবদা পীফম থোকপা মতেং ন্যু দিল্লিগী মায়কৈদগী পীগনি হায়বগী থাজবসু থমখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা রাসিয়া অমদি ভারত অনিগী মরক্তা মতম শাংনদগী লাকখিবা মরুপ মপাং ওইবগী মরি অদু হেন্না চেৎশিলহল্লে হায়বগী ৱাফম ফোংদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ব্রিক্স মীফম চথরিবা কজান সহর অসি ভারতকী কালা সংস্কৃত্তিগা চেৎনা মরী লৈনবা মফম অমনি হায়নসু ফোংদোকখি।

**ইলেক্সনঃ** ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী অমসুং তাঙ্কক অমখক্তংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহারাস্ত্রা বিধান সভা মীখলগী নোটিফিকেসন ঙসি থোকখ্রে।

মীখল মথং থাগী ২০ দা পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৯ নি। স্ক্রুতিনিনা মথংগী নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম ঝরখন্দগী ওইনা মথং থাগী অমা অমসুং মহারাস্ত্রাগীনা মথং থাগী মরিদনি। ঝরখন্দগী অনিশুবা তাঙ্কক অসিগী মীখল বিধান সভা কেন্দ্র ৩৮ দা পাঙথোক্কনি অমদি মহারাস্ত্রাগী বিধান সভা কেন্দ্র ২৮৮ তা পাঙথোক্কনি।

মরক অসিদা, ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিন্নবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীরেপ ২৫ না মখোয় মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিন্নরকখ্রে। তাঙ্কক অসিগী মীখল মথং থাগী ১৩ দা পাঙথোক্কনি। ভোট মশিংনা মথং থাগী ২৩ থিগনি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী কোরপোরেসন মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-লাক্লিবা চহি খরা অসিদা লৈবাক অসিগী শঙ্গোম পুথোক্লিবা লৌমী কোতি ৮ কোওপরেটিবকা শম হন্নবা অনিশুবা হ্বাইট রিভোলুসন ওইহন্নবগীদমক সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলি।

গুজরাটকী অনন্দতা ঙসি পাঙথোকপা নেসনেল দাইরি দিলবপমেন্ট বোর্ডকী দাইমন জুব্লি থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-হৌজিক ফাওবগী ওইনা শঙ্গোম পুথোকপা লৌমী কোতি অমা মখায় কোওপরেটিবকা শমরি। অদুমওইনমক, লৌমী অয়াম্বদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

মহাকা হায়-ভারতকী দেরি সেক্তর অসি মালেমগী ওইনা য়েংবদা চহি অমদা চাদা তরুক্কী মথক্তা হেনগৎলক্লি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং সিঙ্গাপুরগী ঙাকশেল মন্ত্রিগা পুন্না সভাপতি ওইমীন্নদুনা তরুকশুবা ভারত-সিঙ্গাপুরগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসি ন্যু দিল্লিদা হৌদোকখ্রে।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়-লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনরি। লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা তেংবাং পীননবগী মতাংদসু খন্নখি। লমদম লমদম অমদি মালেমগী ওইবা হীরম কয়া য়াওনা ঙাকশেলগী লমদা ভারতনা তেংবাং পীননবগী থৌরাং তৌদুনা লৈ।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি মঙাশুবা নেসনেল ৱাটর এৱার্ডশিং, ন্যু দিল্লিদা য়েন্থোকখ্রে।

এৱার্ডশিং অসি তোঙান তোঙানবা কেটেগোরি ৯ দা খায়দোক্কুনা ৱিন্নর ৩৮ দা মনাশিং অসি খুৎশিন্নখি। মসি মনুংদা খ্বাইদগী ফবা রাজ্য, জিলা, ভিলেজ

পঞ্চায়ট, অবার্ন লোকেল বোদি, ৱাটর য়ুজরস এসোসিয়েসন অমসুং সিভিল সোসাইতি য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-জল জিবন মীসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী ইমুং চাদা ৭৮ হেন্না সরকারনা থকনবা অফবা ঈশিং ফংহল্লে। মহাকা হায়-মীসন অসি ইং ২০১৯ দা হৌদোকপা মতমদা খুঙ্গংগী ইমুং চাদা ১৭ তমক অফবা থকনবা ঈশিং ফংখিবনি। মহাকা মখা তানা হায়-জল জিবন মীসন পায়খৎপদগী খুঙ্গংগী মীওইশিংগী পুন্সি মহিং থাক ৱাংখৎল্লক্লি। ঈশিং য়োকশিনদুনা থমবা হোৎনবদা সরকারনা লৌরিবা থৌদাংবুসু রাস্ত্রপতিনা পনখি।

খ্বাইদগী ফবা রাজ্যগী মনানা উরিষানা ফংলে। উত্তর প্রদেশনা অনিসুবা অমসুং গুজরাত অমদি পুদুচেরিনা পুন্না অহুমসুবা ফংলে। এৱার্ড অসিদা সাইটেসন, ত্রোফি অমদি শেলগী মনা য়াওরি।

**গৱা (এল)ঃ** গৱাগী পনজিমদা পাঙথোকপা ২৪ শুবা নেসনেল পেরা সুইমিং চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী আর.কে. হেরোজিৎনা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টতা সনাগী তকমান অনি অমদি লুপাগী তকমান অমা ফংখ্রে।

মহাকা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ব্রেসস্তোক এস. ফোর ইভেন্টকী নুপাগী মিটর ১০০ অমসুং মিটর ৫০ দা সনাগী তকমান অমমম লৌখি। লোয়ননা ইন্দভিজ্‌য়েল মেটলি এস.এম. ফাইব ইভেন্টকী মিটর ২০০ দা লুপাগী তকমান লৌখি। মহাক হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সতা স্কাদ্রোন লিদর ওইনা থবক তৌরিবা মীওই অমনি।

**বাস্কেটবোল (এল)ঃ** মনিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোলদা চত্থরিবা ২৮ শুবা ষ্টেট য়ুথ

বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা লিক রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুথ ক্লবনা সৈনিক স্কুলবু অমদি ৱাই.ও.এস.সি. খুরাইনা বি.দি.ভি.এ-বিষ্ণুপুরবু মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** খা মনিপুর ককচিংনা শিনদুনা চথরিবা এ. প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খা মনিপুর কলেজ-ককচিংনা সাউথ ইষ্ট মনিপুর কলেজপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-নাউরেম বিহারি কলেজনা থৌবাল কলেজবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** নেমনিং বেপটিস চর্চ অমসুং কাংচুয়িলন বেপটিস, গোসপেল য়ুথ সোক্কর ২০২৪ গী সেমি ফাইনেল চংলে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা নেমনিং বেপটিস চর্চনা তমেংলোং বেপটিসপু পেনালতিদা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা কাংচুয়িন বেপটিস চর্চনা দুইগালোং বেপটিস চর্চপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংল্লকপনি। টুর্নামেন্ট অসি নহাশিংদা নিশাগী পোৎলমশিং শিজিনহন্দনবা হায়বা ৱাখল্লোনদা গোসপেল য়ুথ ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।